> "ঐগী পুন্সি ৱারীসি ঐনা ইবা নৎলমদ্রে
> অইবা অমা লৈরম্লে।" - কাংজম পদ্মকুমার

'ঐগী নুংশিবা'

— হেমচান্দ নিংথৌজম

থাজগী ঈংলবা মঙালনা
মালেম তাইবঙ অসিদা
অঙৈংবা পাউজেল পীদুনা
পোন্বী চেক্লা কয়াসু
ঈংনা তূমখুন তানরি।
থাজ মাগী মঙালনা
ময়েক শেংলা শেংলগা
হেল্লক্লি ঐগী পাউদমসু
নামীবা মাগী মফমদা।
পাউদমতা নত্তে ৱাকৎসুনি
তাবীগদবা মীনা তাবীদ্রবসু
তাবীয়ু মালংবা নহাক্লা
পুবীখো ঐগী পাউদমসে
তাইবঙ শিনবা থুংনা…
য়েনবীখো ঐগী নুংশিবসে
মালেম শিনবা থুংনা
লোইনাইরোই য়েল্লবসু তাইবঙদা…।
পাখৎচৈ তারদ্রা লৈমায়দা
ঐগী থম্মোয়গী নুংশিবসে
খুনবীনবা লৈত্রবসু কনানা
মাঙদনবা ঙাকচরি ইদোমতা
খঙবীদ্রবা ঐগী নুংশিবা
লৈমাইদসু তাহল্লোই,
মালেম থক্তা থমগনি
শীংনরল্লবদি কনানা
মরূ ফংনা মাঙহনগনি
অরেম্বনি পূম্নমক ঐগী নুংশিবগী মফমদা…।

মতম

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

হলহনবীয়ু হৌখ্রবা মতম
অমুক্তদি লোইখ্রবা হল্লক্করোইদবা
মাবু শেমদোকচবা য়ানবা
ঙসি কপ্লিবা, হৌখ্রবা কয়া
নীংশিং নীংশিংনা।
ওইরোইদবা ৱাখলগী মৈরিনা
মৈৱাইরি তৎতনা
থম্মোয়দা তাশোন্না থিনবগুম,
হঞ্জিন হঞ্জিন শোক্লবা
মফম অদুদা।
নোং-খাঙ চাইরবা মমিতা ঙাইরবা
দাকফম অসিদা,
শোয়বদা তুরগদৌবগী ঙাইরবা,
তারমদাই নুমিৎকী মঙালনা
মৈশা য়াওদবগুম
লেপ্লি লমফাংলবা লম্বী অসিদা
কদোম মায়কৈ চৎসিগে
খোঙদাফম খঙদবা পূন্সিনা
য়াচংলকপা মতম অসিদা।

লমজিংবনি হায়সিরা?

— এম নিলকুমারি

চোংথোরল্লিবশিংসি অঙম্বদুরা?
হংলি থম্মোয়দা তত্তনা
মীয়ামদি কিগনবনি সাসনকারিগী য়াথংদা।
'নিঙোল চাক্লৌবা তোক্কনি অৱা অনা মরূ-মরা ফূত্ক্রিফাও
য়াওশঙ কুম্মৈ তোক্কনি'
তোক্লিবসি মীচম মীয়াম্লি।
দেব-কর্ম্ম মীশি মীনাগী চেবাউ
অকক্লবা মতমগী অয়ূক পুং ৮, নুমিৎয়ুংবা পুং ১২
অৱা অনা কয়াগী
অৱাবদা তেংবাঙবনি।
মাঙখিবনি মৈৱায়নখিবনি।
য়ূম ইঙ্খোল মফম খঙদনা লাঞ্জেন্নবনি
মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা ওৎ নৈবা
কনানা মদুগী পাপ পুগদৌরিবা
মমা মচা, মপা মচা মফম খঙহন্দবা
থেংনরুবা মফমদা মখোয়গী য়ারেকফম পীবিবা
পূন্সি কয়াসু লাঞ্জেন্নফমদা শিখিবা য়াওখ্রবা:
কাউনাইদ্রবা ৱারী ওইহৌরনি।
অৱাবা পোৎলুমগী মথক্তা পোৎতমক হাপচিনবা
চোংথোরল্লিবশিংসি অঙম্বদুরা
মতম অমগী ৱারী ওইহৌরনি মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা
হৌজিক ফাওবা লেঙদনা লৈরি
খোংজোম তির্থ অথোইবা পাওনা ব্রজবাসিগী
বোমগী মৈনা ককফম্লি তির্থনি তির্থ খোংজোম লান।

হৈথা-লৈথা

— তোংব্রম শামুঙৌ

খোঙহৌ খোঙথা হানখ্রবা
পোক্ল-লমদম ইমাগীদমক
থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিং
ন খো য় গী
ঙসি নীংশিং নুমিৎ
শজিবু থানা লাকপদা
কচ্চরি নীংশিং থাউমৈগা
হৈরাং লৈরাং কয়া।
চৎখ্রে থৱায় কয়া'মা
'তুং -ইন্না নখোয়গী
ইমা লৈবাক ঈরমদমগী
ঐখোয়গী হয়েংগীদমক,
য়েক্লবনা লাঙ্গোই চন
মীহাৎ থীনা, নুংশি হৈতা
শাগুম-ঙাগুম হাৎ,
অঙাংবা ঈতনা ঈচেল্লবা
চিত্তাগী মৈখুতনা মল্লবা
কায়না তেংথাতনা নীল্লবা
ওইরে মংফমতনা থল্লবা
ঙসিদি কংলৈপাক মালেম
হে! থৌনা ফরবা অথৌবশিং
নরম লমদম ইমা মণিপুরগী
অঙাংবা ঈখেং কৎখ্রবা
পোকচমন মহয় য়ানখ্রবা
লাই ওইখ্রবা থৱায়শিং
ন খো য় গী দমক
লৈচল চাদ্রবসু ৱাহৈগী
'হৈথা লৈথা' খরদং তমজবা
লৎনবীনু নখোয়গী থৱায় মীরেন্না
ঙসি শজিবু থানা লাকপদা।

'মৈঙান্দা ঙাওজবী য়ুরাল'

— অঙোম ইবোমচা

পাইরিবা তিনশিংনি থোৎন-নৌরবা
তথক-তথক কাতু-কারন
কোয়পাই পাইশিন্দুনা মৈঙান্দা
মথ্বায় মাঙলি লোইনমক
পোপ-পোপ তাদুনা লৈমায়দা।
পামজদুনা ঙাওজরিবা মৈঙান্তবু
শিনিফাও খঙজদনা মৈঙাল্লক্তা
নোংজু-নুংশা খায়দনা অহিংদা
শিজরি পোপ-পোপ তাদুনা লৈমায়দা।
কোকথোক্লিবা উমংশিংনি লেপ্তুনা
তাইওইননা পাউতাকপু অফবা
মথ্বায়মক্লি খনঙমদা উমংশিংসি মাগী
থৱায়না লৈত্রগা হিংনি খল্লিবা
মীওইশিং অদুনি য়ুরাল গুল্লবা মীওইবা।
অশং-অমান, উরি-উনা
উপাল-ৱাপাল হৌদ্রবা মফম অদু
হায়নৈ কৌনৈ 'লৈকংলা মরুভুমি'
লৈঙমদে মফম অদুদা
থৱায় পানবা জিব অমত্তা
ঈংনা-তপ্না নুংঙাইনা।
অপাম্বতনা থুঙ্খৎ মশা মদোমগী
খল্লুদা কনাগীসু তুংগী মীওইবগী
থাক্লিবা লাংদা হূগী চীঙ্গাক্লা
থুরুরিবা থাক্লুরিবা মীওই খুদিংমক
মীওইশিং অদুনি 'মীওই' বা
য়ুরালগুল্লবা মীপোকনি তাইবঙ অসিদা।

নঙ

— ইরোম মোবি

মীৎ উদে
না তাদে
লোল থোক্তে
খোঙ পান্দে
থম্মোয় কল্লি
মীনুংশি লৈতে
অৱাবা খঙদে
ৱাই শিংতে
খম থেংলে মোৎলে
লৈফমদগী হোংনীংদে
খঙদনা খঙই
অরানবদু চুমদবনি
নুংঙাইতনা নোকচনীংই।

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১৫৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ইবুথৌ লাইরেল নাওফঙবা। লমথক শারোলপুংদি। তুবী নিংথৌ অনি খমব্রাংনা। লাইরেল নিংথৌ অনি লেংঙানা ফমফরোইয়ে। নোংয়াই খুমল শেনলৈ লৈপাকতা চৎখ্রগে হায়রবদা। য়োইবু লৈবাক লৈমা য়োইহৈ খোংফাং লেংবী। মোংবা য়ুমলেল ঙানবী। চৎনরোল থকশি খাশি ঙাক। লমচৎ ফাশাং হেনবীশিংদি। ময়ুম লুখুম ফানচৌ থীননা মীকপনরকলে। লাইরেল মৈদিংঙু য়োইরেমবনা য়োইবু মখোংখাতা। য়োইহৈ খোংফাং লেংবী। মোংবা য়ুম য়ুমলেল ঙালবীশিংও। নখোয়বু নোংয়াই খুমল লৈবাক কুমবদা কনা কনা চৎমিননসি হায়বনো। অদোল খুমল লৈবাকতা লৈবা কনাগা লৈরুসি হায়বনো। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯵꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯏꯕꯨꯊꯧ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯅꯥꯎꯐꯪꯕꯥ꯫ ꯂꯃꯊꯛ ꯁꯥꯔꯣꯜꯄꯨꯡꯗꯤ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯅꯤ ꯈꯝꯕ꯭ꯔꯥꯡꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯅꯤ ꯂꯦꯡꯉꯥꯅꯥ ꯐꯝꯐꯔꯣꯏꯌꯦ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯁꯦꯟꯂꯩ ꯂꯩꯄꯥꯛꯇꯥ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯒꯦ ꯍꯥꯌꯔꯕꯗꯥ꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯩꯃꯥ ꯌꯣꯏꯍꯩ ꯈꯣꯡꯐꯥꯡ ꯂꯦꯡꯕꯤ꯫ ꯃꯣꯡꯕꯥ ꯌꯨꯃꯂꯦꯜ ꯉꯥꯟꯕꯤ꯫ ꯆꯠꯅꯔꯣꯜ ꯊꯛꯁꯤ ꯈꯥꯁꯤ ꯉꯥꯛ꯫ ꯂꯃꯆꯠ ꯐꯥꯁꯥꯡ ꯍꯦꯟꯕꯤꯁꯤꯡꯗꯤ꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯨꯈꯨꯝ ꯐꯥꯟꯆꯧ ꯊꯤꯟꯅꯥ ꯃꯤꯀꯄꯅꯔꯀꯂꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯌꯣꯏꯔꯦꯝꯕꯅꯥ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯃꯈꯣꯡꯈꯥꯇꯥ꯫ ꯌꯣꯏꯍꯩ ꯈꯣꯡꯐꯥꯡ ꯂꯦꯡꯕꯤ꯫ ꯃꯣꯡꯕꯥ ꯌꯨꯝ ꯌꯨꯃꯂꯦꯜ ꯉꯥꯜꯕꯤꯁꯤꯡꯑꯣ꯫ ꯅꯈꯣꯌꯕꯨ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯀꯨꯝꯕꯗꯥ ꯀꯅꯥ ꯀꯅꯥ ꯆꯠꯃꯤꯟꯅꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯣ꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯀꯅꯥꯒꯥ ꯂꯩꯔꯨꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯣ꯫ ●

মতম মতমগী ৱাখল

লৈপাকসি কনানা নীংলিবগে?

লৈপাক নীংবা কদায়বু কৌগদগে ? নীংতম্বগীদমক লান্দা থৱায় থাবসিনা ওইগদ্রা নৎত্রগা লান শোক্লবা য়াওরিবা লান্মী অদুখক্তনা ওইগদ্রা ? নৎত্রগনা অমুক, ফম পায়রিবা অঙম-অথৌশিংনা ওইগদ্রা ? মখোয়খক্তনা ওইবা তারগদি নীংতম্বগা মরি লৈননা লৈপাক নীংবগী ঈশৈ ইরিবা, শকখিবা, লৈপাক নীংবগী লাইরিক ইখিবা, লৈপাক নীংবগী ৱা ঙাঙলিবশিং, লৈপাক নীংবগী লীলা-দ্রামা শান্নখিবশিং মখোয় ময়াম অসিদি লৈপাক নীংবা অথৌবা ওইদবা তারব্রা ? লানফমদা চৎলগা লান য়াওরুবা, থৱায় থাখিবা অমদি ফম্নাইবশিংতনা মরৈবাক নীংবা ওইরগদি লৌউ-শিংউরিবা, কৈথেন ফন্লিবা, খুন ঙাক্লিবা, মীয়াম, লানমীশিংগীদমক কোইচেন চেন্দুনা পাউ লৌজরিবা, অরৈবা চানা-থক্লবা খাইদুনা পীরিবা, য়েংশিল্লিবা ময়াম অসিদি করিনি হায়গদগে অমদি মখোয়দি লৈপাক নীংবা অসিদা য়াওদে হায়গদৌরিব্রা ?

Foto Curtesy.RKCS Chitralaya

ইমা লৈপাক্কী থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবশিংগীদমক চহী অমগী মনুংদা লমদমসিদা লৈপাক নীংবগা মরি লৈনবা থৌরম পাংথোক্লিবসি অখঙবা মীওই খরতগীনি। লৈপাক্তীদমক থৱায় থাখিবদি কোঙ্গাইনি। মমিং-মথা খঙদবা কয়া অমসু লৈখি। এপ্রিল ১১ অসি মহারাজ নরসিংগী লৈখিদবা নুমিৎনি, এপ্রিল ২৩ খোংজোম দে, অগস্ট ১৩ অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়রিবশিং অসিনা মরুওইবা লৈপাক নীংবগী নুমিৎ ওইনা পাংথোক্লে। লময়ানবা ইরাবোতকী থৌরম পাংথোক্লিবা, পুখ্রমবম কাজাওগী, চোংথা মিয়াগী, চহী তরেৎ খুন্তাকখিবগী নীংশিং থৌরমশিং পাংথোক্লরিবসিদি লৈপাক নীংবা থৌরম হায়নদে। মনুংদদি লৈপাক নীংবগীনি। চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা অসি কুমশীং ১৮১৯দগী হৌরগা ১৮২৬ ফাওবনি হায়বসি খঙলে, চপ চবা খুন্তাকপা হৌখিবা নুমিৎ, থাবানগী চপ চাবা রেকোর্দ থেংনদ্রি। মীতৈগী মী কয়া, অৱানা পুখিবা, নুপী অঙাং কয়া শিখিবা, কনাগী মচা-মশু হাৎখিবা মশীং খঙদে। কনা কনাগী অঙাং মোরোক মৈ থাদুনা হাৎপা, খুবাক্তা য়াইরিনা লেংখিবা মীশক হায়বা ঙমদে। অৱানা মণিপুরগী করম্বা মফমশিং খুদুম চনশিল্লম্বগে। খ্বাই য়াইস্কুলদা, উরিপোক্তা, খুরাইদা, সেকমাইদা, ফয়েংদা অৱা তেঙ্গোল লান্মী য়ৌরকখিব্রা চপ চাবা ৱাফম ঐখোয় থেংনদ্রি। অৱানা চহী তরেৎ লমদমসি খুন্তাকহনখি হায়বসিতনি মীয়াম্না খঙনরিবসি। মরম অদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকখি হায়বদা ঐখোয় কিবা ফাওদে, থুক লাওবা, অৱাবা নুংঙাইতবা ঐখোয়না হকচিন্না খন্নদে। মসিগা হায়রপ মান্নবা মওংদা, খোংজোম লান্দা য়াওরিবসি মতে লান্মী কয়ানো, করি করি লমদগী মীওইশিং য়াওবগে? লান শোক্লবা চৎলিবসি করম্না চৎপগে ? ঐখোয় কনাসু হংনদে থিজিন্নদে। খোংজোম লান হায়বসিদনি মী অয়াম্বনা খঙনরিবসি। খোংজোম লান্দা য়াওখিবা থৌনা ফরবা লুচিংখিবা মীওইশিং খরতনি ঐখোয়না নীংশিংদুনা থৌরম তৌরিবসিসু। শকখঙদবা লান্মী ময়াম অমসু তুং ইল্লমগনি। মখোয়গী মফমদি কদায়দা লৈখ্রবা ? মতাং অসিদনি ৱাহং লাক্লিবসি-লৈপাকসি কনানা নীংলিবগে? মরৈবাক নুংশিবসি কনানো ? মরৈবাক নীংবা মীওই মখল কয়া লৈবগে ?

লৈপাক নীংবগী থৌরমদি ঐখোয় পাংথোকই। অথৌবশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙলি । ঙাঙলিবশিং পূক্লিং চঙনা তাবীবা মী মশীং কয়াবু শুরমগদগে ? থৌরম লোইবগা ঐখোয়না লম্বীদা হল্লকপদা করি ৱারী শান্নবগে? অথৌবশিংগী ৱারী শাবদি লাইরদনা য়াওরুরিবা থৌরম কাওখি, ইরমদম ইরৈবাকসু কাওখি। লম্বীদা য়োল্লম্বা অচাপোৎ চারগা ৱাখল অমমমদা নুংঙাইনা হল্লক্লগনি।

হৌখিবা পুৱারীগী ৱারীশিং,ইতিহাস পারুবদা থেংনরিবা, মখোয়না মরৈবাক্কী, মীয়ামগী হোৎনবীরম্বা কয়া অসি মখল মখা কয়ানি। লৈপাক ঙাকপদা নিংথৌ মশামক লান চংঙি । নিংথৌনা চঙলগদি লানদি লোইরে । মসিদি ঐখোয় খক্তগী নত্তে। নিংথৌ পানবা লৈপাক খুদিংমক্কীনি। লান শোক্লখিদবা মালেমদা করম্বা মফম, লৈপাক লৈবগে ? শোক্লখিবা লানশিং অদুগী ৱারীদগী ঐখোয়না খঙলিবসি মরৈবাক নীংবা, মরৈবাক নুংশিবা হায়বসিনি। কৎথোকপা, লৈপাক্কীদমক থৱায় থাদোকপা ঙম্বা হায়বসি লাঞ্জাও থোকলকপা মতমদা ঙাক্তনি। মহাভারতকী লান্দা, লান্থেংনরিবশিং অসি, ৱারী ওইরগসু, মশক নাইবা অঙম-অথৌ, নিংথৌ, ফম্নাইবা মশা য়াওনা লান্থেংনখিবা ঙাক্তনি। কলিঙ্গগী লান্দা, অশোক নিংথৌ অমদি পুরু মশা য়াওনা হকথেংনবা লানফমদা,মায়গা ওনশিন্নদুনা য়ান্থৎনখিবনি। মরৈবাক কন্নবা, নীংতম্বা ঙাক্লবা শোক্লখিবা লাননি । অচুম্বনা মায় পাকই হায়বসি থাজনদুনা লান শোক্লখিবা ঙাক্তনি।

মণিপুরনা, অৱা লান্দা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবদা ইরমদম ইমা লৈপাক্কীদমক মায়োক্লবা লানফমদা খুৎশু থাং পায়রগা চোংশিন্নখিবসি মণিপুরগী নিংথৌশিং ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী হৌরগা চৌরজিৎ, মারজিৎ, নরসিং ,গম্ভীরশিং, হিরাচন্দ্রা অমদি অতৈ লুচিংখিবা ময়ামগনি। মতুং তারকখিবা এঙ্গলো মণিপুর ৱারশিংদসু নিংথৌ,ফম্নাইবা অমদি অঙম-অথৌ ময়াম মশা য়াওনা লান থেংনখি। পাউনা, থাঙ্গাল, টিকেন্দ্রজিৎনচিংবশিংনা খুৎশু থাং খক্তনা লান্থেংনদুনা লৈপাক ঙাকলকখি। ঙল্লিনৈঙে মতমগী অঙম-অথৌশিং, ফম্নাইবশিং চৎপা মতমদা নাকলদা থাংশাং য়ানখিবনি। মখুৎতা থাংশাং থাদোক্লখিদবা ঙাক্তনি। ঐখোয়না ফোটোশিংদা উরি। নিংথৌ পাল্লিনৈঙে, লৈঙাকপা মতমদা শা-লান্না তঙ্খায় অমা মায়োক্লরকখি। মায়োক্লবা লানফমদা লেপখিবা খোংফমশিং অদু মরৈবাক্কী ওইখি। ঙল্লিনৈঙে মতমগী লৈঙাকলোন, শাজৎ, চৎনবীশিং ঙসিগা মান্নদে অদুবু লৈপাক নীংবা, কৎথোকপা, তৌবা ঙম্বগী থৌনাদি ঙসি ফাওবা হোংদনা লৈরি । ৱারেং অসিদা থমজনীংলিবদি- ঐখোয়না চথরিবা থৌওংশিং, ঙাঙনরিবা, চৎনরিবা মতৌশিং অসি লৈপাক্কীরা, ইশাগীরা, মীয়ামগীরা হায়বসিনি। মমাং থক্তা পাল্লম্বা নিংথৌশিং , অঙম অথৌগী ৱারীদি ঙসি ঐখোয়না লীনরি। মখোয়বু নীংশিংবগী থৌরম পাংথোক্লি । মীতম ফাওবা শাদুনা মীয়াম উগদবা মফমদা খিল্লি । তুংগী মীরোন্না মমাংঙৈগী অকল-অথৌশিং অসিতমক অসুম মখোয়বু নীংশিংহনগদৌরিব্রা ? ঙসিগী মীরোলগী অকল-অথৌ , লৈপাক্কীদমক অফবা, তৌবা ঙম্বা কনা অমগী ৱারীদি তুংগী মীরোন্না শোন্নহৌনবা থমলল্লরোইদ্রা ? লমদমসিদা মশক নাইবশিংগী মীতম মশীং য়াম্না খিনবা ঙমদ্রিবা, অকল-অথৌ মশীং য়াম্না নীংশিংবগী থৌরম পাংথোকপা ঙমদ্রিবসি করিগীনো ? চৌরজিৎ,মার্জিৎ,গম্ভীরশিং,পাউনা, থাঙ্গাল, টিকেন্দ্র, হিরাচন্দ্র, হিজম ইরাবত্তগী হেন্না মীশিং হাপচিনবা ঙমদবসি করিগীনো ? মখোয় লৈরমদ্রগদি মণিপুরগী লৈপাক নীংবগী ৱারী হায়বসি লৈরমলোইদৌরিব্রা ?

অঙনবা মতমগী ঐখোয়গী অকল-অথৌশিংদি লাই ওইহনখ্রে । মখোয়গী ৱারী লাইগী ৱারী ওইনা লীনরি। লাই ওইরগসু লানগী ৱারীসু য়াওই । লাইয়ামসু লান শোক্লখি। সেলোই লংমাইগী লান, খাবগী লান, মোইরাংগী লান, চীংগী লমদা শোক্লবা মরামগী, চোথেগী, থরান খুনগী লান, লানগী ৱারীনা পীক থল্লি । পূম্নমক মরৈবাক মরমদমগী শোক্লখিবা লাননি। মরৈপাক নীংদবা মী লৈখিদে, মরমদম মীয়ামবু নুংশিদবা মীসু য়াওখিদে । ঙল্লিনৈঙেগী মীয়ামদি অমনা হায়বা ৱা লোয়না তানৈ,লুচিংবা মথক থোংবনা হায়বা ৱা ইন্নে। থক্সি-খাসি ঙাক্লে, অহল-নহা, থক-খা খায়নরকই। অসিগুম্বা থক্সি-খাসি অসি থৌগল্লোন তম্বা হায়দুনা তম্লরকই । থৌগল্লোন খঙদনা, থক্সি-খাসি য়াওদনা কোনুং কাহন্নদে, মীরক তীলহন্দে,লান্মীসু ওইনরক্তে । লাল্লুপ কাবা ফাওবা থক্সি-খাসি হান্না তম্লগা কানখি হায়রি। কয়াদা থাক ৱাংলম্বা লমদমনো । য়েক্লবা ওইরবা ফাওবা থৌগল্লোন য়াওনা খুৎ থানৈ, লান্থেংনৈ। য়াম্লুং,ননাই থৌগল তৌজরি হায়রগা থাংনা য়াম্থখিবা অদুগুম্বা মীতৈগী য়েক-সল্লাইচাশিংনি। মখুৎ চল্লবা য়েক্লবা মীদা অরাম-খৌরাংবা কোকহল্লগা হাৎপা চৎনরকই। শিখ্রবা মতুংদা য়েক্লবা ওইরগসু মহাক্না হায়রম্বা শীন্নরম্বশিং থৌ পাংথোকপীখিবা অদুক পুকচেল চাওবা ঐখোয়নি। ইথন্তনা লৈপাক নীংবা তৌনরক্তে। মীয়াম পূন্না নীংমিন্নবনা অচুম্বনি। লৈপাক খুন্নাইদি মীয়ামগীনি, ঐদি অরায়বনি, লৈপাক খুন্নাইনা অরুবনি। ঐগী হায়বা থাদোক্লগা মীয়ামগী অপাম্বদা তুংইন্দুনা থৌদাং পাংথোকপনা অশেংবা লৈপাক নীংবা, মীয়াম্বু নুংশিবা মীশক্লি হায়নগনি। " ইমা নংগীমক চাম্মরক পোকচগে চাম্মরক শিজগে.." হায়বা ডাইলোগ " ইপু থঙ্গাল" দ্রামাদা অইবনা পেন্না হায়হল্লিবসি ফজখ্রবা দ্রামাগী ডাইলোগনি। লীলা-ড্রামানবু হেন্না মরৈবাক নীংবগী ফজবা ৱাফম ফোংদোক্লি। অশেংবা তাইবং মীদি ওইদবা ৱাহৈনা অশেঙবা অচুম্বা ওইনা ঙাঙলিবসি লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা অরানবা তৌবা ওইগনি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

ঐ সনা শাররোই

"অমুক্তা চঙজরক্কে?"

"য়ানি লেঙশিনবীরকও"

অনিতা ঈংনা চঙলকই। তৌবতবু মশাদু ইতুক তুকথৈ। হান্নদি য়াম্না মশোং খরা ফনবা মান্না মঙক মরূ ইহাই হাইগৎনা ঐ মঙাইরে হায়না চৎলম্বী নুপীনি। ঙসিদি কৈদৌরবনো খঙদে, দুকান্দুদা চঙলকপদা ৱাগকা কা হেন্না ঙাঙদে, তূমিন ফমদুনা লৈ। সনা য়োল্লিবা নুপাদুনা মনুংলোমদা ওনশিল্লগা মী অমদা পাখোন অমা শীখি।

"ইবোহল চা অহাওবা অমত্তা থুনা লৌরুচো, (অনিতাদা ওনশিল্লগা) করি হানি, করি লৌহঞ্জরকউগে?"

"য়ানি ঐগীদি কৈমতা হোৎনবীরুরনু"

"ফরে অদুদি চা হায়জখ্রগে, ইবোহল খিতা থুরকও"

সনা য়োনবা নুপাদু মাগী অনৌবা লাকপা সনা খাঙেনদু লৌথোক্লগা মরম ইচা চাদনা থাঙ্গৎ থাঙ্গৎতুনা য়েংহল্লি। অনিতানা পান্নবা হায়দুনা। অনিতা মিৎচিনা ফাও হন্না য়েংদে। নুপাদুনা সনা খাঙেনদু কয়াম লূমগে য়েংবগী টাইপ্তা মখূৎতুনা থাঙ্গৎ থাঙ্গৎতুনা য়েংলি। অনিতাদা ফল্লপ ফল্লপ করি হায়রক্কদগে হায়দুনা ঙাইবগী টাইপতসু হেক হেক য়েংলকই।

"মসিগী সনা খাঙেনসি ঙরাং লাকপনি, মমাঙগীদুগা ফজবা সিনা হেল্লি। লংত্রিক লংলগা য়াম ফজৈ। কৈশাম্পাৎতগী ইতৈমা থোইবীনা ঙসাই লাক্লগা খাঙেনসি তঙ্খাই অমা লৌরগে, মাগী লিকচাউ অমা শাগে হায়না ওর্দর তৌশিল্লম্মে। মাদি সি উবদুদা পুমঙাও ঙাওখ্রজাৎনি। পোৎসিসু য়াম শেংবা অদুগা ফজবা হায় তারে। য়েংবীয়ুনে ফজদ্রা?"

"অহোয় ফজৈ ফজৈ।"

"ফজবনে, অমুক্তা য়েংবীয়ুনে" সনা শাবদুনা খাঙেনদু অনিতাগী মমাঙদা উৎশিল্লগা পীশিল্লকই।

"হুম য়েংঙরোইদা, য়ারেদা"

"কৈনো ঙসিদি ঘোর অমা ইহন হনবদৌনা তৌইদা?"

"ঔ…"

"কৈদৌবিরে, ইশা ঙম্বীদবরা?"

"অদুই নৎচদেদা"

তাঞ্জাদুদা ইবোহলনা চা গ্লাস অনী পুশিল্লকই। থল্লে। সনা শাবদুনা চা অমা অনিতাগী মমাঙদা থম্মগা ঈংনা হায়রকই।

"চাসি পায়বীয়ু"

"ঐগীদি য়ারেদা"

"য়াদে য়াদে কাইদগী, থৌওইনা লৌহঞ্জরুরিনি, পায়বীয়ু, থকপীদবা য়াদে"

অনিতাদু পাম্বে লৈতে, চাদু পায়রগা অমুক অনীরক চিংই। সনা শাবদুসু চাদু থক্লি, ঙাইহাক্তি ৱা হায়নদে। তূমিন-তূমিন লৈনৈ। সনা শাবদুনা খল্লিনা, মাগী সনা অনৌবা লাকপদু য়োলহৌনবগী ৱাখলনি। কমাই তৌরগা নুপীদুনা পান্নবা দিজাইন করি করি উৎসিগে কন্না খল্লি। অনিতানা খল্লিনা অদু নত্তে, মা সনা শাবা নুপাদুদা মাগী অনীংবা ৱাদু কমাইনা হৌদোকসিগে খল্লিনি। অনীসিগী নেগেটিভ-পোজিটিভ ঙাক্তনি খন্নরিবা ৱাখলসি। রেষ্টুরেন্টতা দেট লাকপা নত্তবনিনা ৱাসি হৌদোক্লদবদি য়াদ্রে, অনীমক হৌদোক্লগে হৌদোক্লগে খন্না-খন্না হৌদোক্লদে। সনা শাবদু ফুক লাউনা হৌগৎখ্রে। অদুগা মাগী মকোক ময়াদা লৈরিবা গোদ্রেজদু হাংদোক্লগা অনৌবা দিজাইনদা শাবা লিক, নাদা য়ান্নবা মখল মখল খরা, পান্বোম ফাবীনচিংবা খরা পুথোক্লগা মখুম হাং হাংদুনা য়েংলি। অনিতাসু পুথোরক্লিবদু তূমিন য়েংলি ৱাদি ঙাঙদনা অদুগা খল্লি।

"মাগী ময়ামসিগী মনুংদা পান্বোম ফাবী সিমদি পান্মীহে, ঐগী ঙৌশ্রোক ঙৌবা পান্বোম বুপ-বুপ লাউবসিদা মসি অমা শীরগা পান্বোম য়াওদবী ব্লাওস ফজবা অমা লিৎলগা শো তৌরগা চৎলদি ফজ নিসে।" অদুবু ৱাদি হায়দে, মাগী ৱাখলনা সুম লাম্মগা শান্নজবনি। হন্দক্তি নুপাদু ৱা হায়বা হৌরকই।

"মেদামগীসি করি তৌসিগে, নহানগী সনাদুসু তঙ্খাই অমদি শাবা লোইশিল্লবনি। হন্দকসি ওর্দর য়াম্মনখিদনা লোইশিনবা ঙমদ্রে। অদুগা খূৎশু য়াম চঙবা, নূঙ অতাঙবা থিল্লীখৈ খূৎতি ফজনা চঙই। নোং নীনি লৈরগদি পুমলোই লোইশিল্লগনি"। হন্দক্তি অনিতাসু ৱা হায়বা হৌরক্লে।

"অদুগীদু শাবা হৌবীখ্রবরা?"

"লোইদোরে কৈনো, ঐ ঙসাইদৈ হায়জরিদুনি, শাউবীনু, নোংমা নীনিসিদা শোয়দনা লোইশিনজরগে?"

"অদুই নত্তেদা, ঐনা লাকচরিসি"

"তাকপীয়ু"

"অহ! উম…"

"হেক্তা হায়বীয়ু, নানপ্পী অনৌবা মেদামনা নহান পাম্মী তাকপীরম্বদুসু শাজিনজরোরা"

"অমুক্তা ঙাইবিখো, অদু হায়জবা নৎচদে"

"হোয় হোয় তাকপীয়ু"

"ঐ সনা শাররোই"

"এ কৈদৌরবা, কৈনো ঐনা করি লানখ্রগে"

"লান্দে, লানবৈ ৱা নত্তে"

"অদুদি করি, করি তৌবা য়াওবীরগে, য়াম ৱারৌবিরিদুবো"

"হন্দক্কী ভোটতুদা তৌরিবা মওংদু য়েংলগা ঐখোয়সি হিংদৌ মাল্লক্ত্রে, অঙম্বা কাঙবুনা পংঙমদা ঙম্বা, অশোনবশিংনা মশাগী হক ফাওবা শীজিন্নবা ঙমদবগী থাক অমদা লাক্লে"।

"অদুবুদি চুম্মী"

"লাষ্টতদি ঐখোয় মশেল কাপ্নরক্তুনা মীশি মীনাসি য়াম্না কূণ্ডগদৌরি"

"মদু ওইথোকপা য়াই, খন্নবা য়াই"

"অদুনা ঐ মতম খরদি ইচাসু পীক্লিবনিনা হিংজনীংলি। লমসি হোংদুনা পাক চৎপসু ঙমদৌ মান্দে, অদুনা সনা শীদুনা লৈবগী মহুত্তা, বুল্লেট প্রুফ অমা অনী ওইনা লৈশিল্লগা চথোক খোৎতোকপদা লিৎত্রদি ঐখোয়সি তম্বা ঙম্মোইদৌরে। অদুনা নহান ঐনা ওর্দর তৌজরম্বা সনাদো মখা তানা শাবীরনু, ঐ সনা শাজররোই, বুল্লেট প্রুফ ওইনা লৈজরগে"

"অশ! মেদামগী ৱাসিদি, ঐখোয়দি য়াম শোকইহে, ঐদি সনাদু শাবা হৌজিল্লুরগা"

"তোকপীরো, মখা তানা শাবীরনু, পীজরম্বা এদভান্সতু খরা ককপীহৌরগা হন্দোকপীরো ঐ বুল্লেট প্রুফ অমা ওর্দর তৌজখ্রে মদুদা ওইনা শীজিন্নজরগে"

"অশশশ!!!"

সনা শাবা নুপাদু মঙক খংলুক হেক লুকথখি।

- নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

ৱারী পীকত্র

বসন্ত নঙ চৎখ্রো

শজিবু থাগী থামৈনি; নীংথিরবী নুজাগী হকচাংদা পবানরবা ইন্নফিনা লৈতেংবগুম অশংবা য়েন্নৌনা কুপশিল্লবা নুংশিতোম্বীগী খুঙ্গংদা বসন্ত মায়থোঙ মকা লাম্না লাকপনা নুংশিতোম্বীনা ঈশিং শোক্লিবা খুলগী পূখ্রি অচৌবদু য়ৌরক্লে;

বসন্ত - নুংশি, নুংশিতোম্বী?

নুংশিতোম্বী - কুইরবগী তুংসিদা তামো বসন্ত নহাক!!

বসন্ত - উম ঐনা নফমদা চঞ্জখিবা নুংশিবগী পাউখোং ঙসিদি মতাং চারে ফোঙবীরো লাকচরিবনি।

নুংশিতোম্বী - ঐবু ৱারৌবীনু তামো বসন্ত ৱাফমদো ঐ য়াবা ঙমজররোই।

বসন্ত - নুংশিতোম্বী অদুম্না হায়বীগনু ঐগী থাজবসে মাঙহনবীগনু, ঐ ঙসিদি নঙনা হায়বা খুদিং য়ারগে লাক্লবনি, নঙ ঐবু থাজদবরা! ঐ ৱাশকউরা?

নুংশিতোম্বী - হুম! ৱাশকপীগনু, অদুম্না হৌখিবা পূন্সিগী তাঙ্কক কয়াদসু নোংমত্তা ওইরবসু লেপ্পীরল্লবদি থম্মোয়সে কয়াদা পেঞ্জরমগনি।

বসন্ত - অদুবু হৌজিক্তি, ঙসিদি, ঐ নঙগীদমক লেপ্পরেদনা, ঐনা নঙবু অমুক ৱাহল্লরোইয়ে।

নুংশিতোম্বী - খৌরাংলিঙৈ মিকুপ্তুদা ঈশিং খুজোক অমত্তসু পীথকপীদুনা ৱাজরবা থম্মোয়সিনা কপ্লিঙৈদা তেংবাঙবীখিবা কনাদা পীরগে ঐগী থম্মোয়সে।

বসন্ত - য়ারোইয়ে ঐগী থম্মোয়না মদুবু করম্না তরাইনা হেক্তা য়াগনি। নত্তে, নত্তে নুংশিতোম্বী। নঙ অমুক্তা খন্থখো!

নুংশিতোম্বী - খল্লে কয়ারক খল্লে, ঐগী মীনুংশিসিবু ইনীং তম্না পীবগী হক্তু ঐবু ইনিং তমহনবীরম্মু তামো বসন্ত! নঙ চৎখ্রো, নঙ চৎখ্রো, তামো বসন্ত।

- ঙাংবম থবাতোম্বী

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।